মার্চ ৩ দগী ৫ ফাওবদা পোলিও পীথকপদা অঙাং পুম্নমক য়াওহনবীয়ু ঃ ডো. আর কে লেনিন

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : মার্চ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা প্লস পোলিও ইমুনাইজেসন ২০২৪ দগী চত্থগদৌরিবা অসিদা মমা-মপাশিংনা অঙাংশিংবু প্লস পোলিও পীথকপীয়ু হায়না ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডো. আর কে লেনিননা মীয়ামদা পাউজেল পীখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা ইমা হাউসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ডো. আর কে লেনিননা হায়, লমদমসিদা লৈরিবা অঙাং পোকপদগী চহী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংনা ইন্টেন্সিফাইদ প্লস পোলিও অসি চিখুদনা পীথকপীয়ু। ইচা ইশুশিং পুথোক্তুনা পীথকপীয়ু হায়জরিবসি পোলিও পীথকহৌদবগী লাইবক থীদুনা শোয়নাইবা য়াওরক্লগদি নীংঙমদবা লৈতনবগীদক্তনি। ইরমদমসিগী ওইনদি মুথৎলবনি অদুবু য়ুম্লোন্নবদগী অমুক লৌনরক্লগদি হায়বগী অকিবা লৈবদগীনি। মসিদা অকিবা লৈবা লাইহৌ অমদি খোং হান্বা য়াওরকপদা অকিবা লৈগদবা নৎতে। ঙরাং পীথক্লে হায়রগসু ঙসিসু অদুমক পীথকপীয়ু হায়খি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা শ্যামকুমার লাইশ্রম (অঙাংগী ডোক্তর) না হায়, হন্দক্কী ইন্টেন্সিফাইদ প্লস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন পাঙথোক্লিবসি মালেমসি শুম পীকশিল্লকপনি। অফগানিষ্টান, পাকিষ্টান য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংদগী লায়না লাইওংশিং শন্দোরকপা য়াবনা প্রোগ্রাম অসি লেপ্তুনা চত্থবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি ২০১১ গী জনুৱারী ১৩ দগী লৈতে লৌখ্রবনি। অদুনা পোকপদগী চহী ৫ ফাওবদা পীথক্কদবনি। পোলিও পীথকপদা কিনিংঙাই করিসু লৈতে, কন্না লাইহৌ হৌরবা, কন্না অনাবা লৈরবা ফাওবা পীথক্কদবনি। কেন্সরগুম্বা, ঐচ আই ভি না নারে খঙলবা অমদি ইম্যুন য়াম্না শোল্লে খঙলগদি মনাক নকপদা লৈবা অঙাং ফাওবদা পীথক্তে। অদুবু অঙাং পুম্নমক পীথকপগী পান্দমনি অঙাং লাক্ষ ২৫ গী মনুংদা অমখক্তংদি নাবা য়াওবা য়াই। অদুবু পোলিও অসি মপানদগী লাকপা অঙাং য়াওনা পীথকসি হায়খি।

জেনিমসকী দাইরেক্টর দেবেননা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : জেনিমসকী দাইরেক্টর প্রোফেসর লাইশ্রম দেবেননা হৌজিক হোস্পিটাল অসিদা কিদনি অনীমক নারকপদগী লায়েং চত্থরিবা লাইশ্রম দেবিয়াগী অনাবদা মতেং ওইনবা লুপা ৪০,০০০ তেঙবাংখ্রে।

লমদমসিদা মমাং চহীগী মে ৩ দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারক্তুনা ময়ুম মকৈ থুগায়বীখ্রবা মতুংদা লৈমরাম রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী লাইশ্রম দেবিয়া কিদনি অনীমক নারকপদগী মে ২৪ দগী লায়েংদুনা হোস্পিটাল অসিদা লৈরকখি। লাইবক থীবদি দেবিয়াগী অপোকপসু লৈখিদ্রে। প্রোফেসর দেবেননা জেনিমসকী রিলিফ কম্মিটিগী খুত্থাংদা তেঙবাংবীরকপদগীদমক রিলিফ কম্মিটি অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি অমদি মতেং পাংবীরকখিবা লূপশিং অমদি মীওইশিংবুসু থাগৎলক্লি। মখা তানা দেবিয়াগী অনাবদা মতেং ওইনবা জেনিমস রিলিফ কম্মিটিগী জিপে নম্বর ৮১৩২৮২৭৫৬৫ তা মতেং পাংবীয়ু।

ঐখোয় পুনশিনলগা মকোক কাউরোইসি মমৈ নীংশিংসি মৈতৈ পুনসি ঃ পন্থৌ

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : লাইনিংথৌ নীংলিবা মৈতৈ সলাই তরেৎ ঐখোয় পুনশিনলগা মকোক কাউরোইসি, মমৈ নীংশিংসি মৈতৈ পুনশিনসি হায়না নোংপোক চীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোল থলো সিপি লোক সেলোই লংমাই চীং ইম্ফাল নোংপোক্তা লৈরিবা লাই ওইবা পন্থৌনা ফোঙদোকখ্রে।

ইবুধৌ ইবেনধৌ হায়রিবসি অতোপ অতোপ্পা ফুরুপকীদি ওইররোই। লাইনিং, নুংশিনবনা অরানবা মশক উরোইদবনি, য়েক্লবা মশক খঙলোইদৌরিবনি। অহিংবা ঐখোয়না তুংগী পাউরৌগী মমৈ হন্থনা য়েংবা চংই। মী ঐখোয়সি অশোনবগী মপুনি অৱাৎপগী মপুনি লায়রবগী য়ুম্ফমদা হঞ্জিনগদৌরিবনি। লায়রবা হায়বসি অৱাৎপনি অদুবু অৱাৎপদি লৈতে। নহা ওইরম্বা ঐখোয় অহল ওইরক্কনি, অহল ওইরক্লগা পুন্সি শাংবা কনাসু লৈতে। শিবগী লৈখোক লোইবা নৎতনা লৈতে। অহিংবা মী মশেল, ঐখোয় মশেল হাৎতোক্লবগী য়েক্লবগী কান্নবা লৈরোই। শুমাং কুম্মৈদা মীয়াম্না খুবাক খুবগী ৱারীনি, হেরো ভিলেন্টকী য়াওবদা নুংঙাইবগী ৱারীনি। মীতোপ মীয়ানগী ৱারী কয়া লৈজসনু মৈতৈ ঐখোয়গী লীক্লম চুম্না চৎসি।

লাইরৈপাক্কী মশক ফজদুনা লৈবা ঐখোয়গী লৈপাক্লি। লাইরৈপাক্তা খুন্দারিবা মৈতৈ ফুরুপ মনাম তানা অৱাৎপা লৈতনা হিংবদা য়াম্না মশক ফজনা হিংবনি। অৱাৎপা লৈত্রবা, অনী শুদ্রবা মৈতৈগীনি, লমদমসিগী মচা মশু ফমদোল ফম্ন ইবনি। লুচিং পুরেলনা নৌহৌননা নীংশিংলগা মীখা পোন্দবা ফুরুপ ওইনবা ফিবান খাজিনবা ঙাকলৌ পীবদা মতম থিন্থহল্লোইসি। মৈতৈ ঐখোয়গী লাই হাক্তক্তগী চৎনবী ঙসিসু মীয়াম্না চৎনদুনা লৈরি। লমতা থা অসি চহী অমগী মপুং ফাবা থানি। লাইগীসু মীগীসু খোমজিনবা অফবদা নিকশিনবা, ফৎতবদা হুন্দাকপা থানি। লমতা থাগী অহানবা অহৌবা থাংজদা শারোই খাংলগা লাই তাইনবনি। অরোইবা থাংজদা লাইহল্লোল পাঙথোক্লিবা মৈতৈ লৈপাক্লি। চৈশিং চৈথাবদা শজিবুগী নোংমা পানবদা মৈতৈ ঐখোয়গীদি অনৌবা চহী হৌবনি।

লৈঙাক্কী ওইবদসু ফাইনান্সিয়েল ইয়র হায়দুনা শেবা লোইবা থা মার্চ, লমতাদা ৱারম লৈরি। শজিবু থাদগী অনৌবা শেনবা অমা পাঙথোক্লরিবনি। লমতা থাদা খোমজিন তাশিনলগা শজিবুদগী চহী হৌরে, মৈতৈগী চহী হৌবা চৈরাওবা পাঙলি। লাইরম লীক্লম মাংজিন থারগা মীওইবনা তুং ইন্দুনা, লাইনা ঙাকলৌ ওইরগা হিংবা মৈতৈ লৈপাক্লি। লাইরৈপাক্তা হিংবদা মীরম মপান শারে অহিংবা অতপ্পা ফংদ্রে। য়েন্নখা য়েংখুন কোকাইনরে, কোন্থোং খুদিং শাপাউলান পাউনরে। ইমুংদা য়াহিপনদ্রে, লৈরক কোনশাংদা য়ারেক্লরে। থৌদোক থৌশিল উরগা পেন্নদ্রে, মৈতৈ সলাই তরেৎ পুনশিন্দুনা লাইনিংথৌ নীংলসি। মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনিং লাইহৌ চুম্না পাঙথোক্লসি। লাইনিংনা অহৌবনি থৱায়নি, থৱায় মহাম তাহনলোইসি।

ঙসিগী লাইগী লাংওন লাকপসিদা মৈতৈ ফুরুপ য়াইফনবা, লৈপাকসিগী লান ঙম্না তাইনানবগীদমক্তা খোল্লাও পুরিবা থৌমী খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনলগা থৌশিল য়েন্থোক্লদুনা লান ঙমতাইসি। অথৌবা, অহেনবা, অখংবা মপান থোক্তনা পূক্লিংগী ৱাচুম শুদুনা নুংশিননা থৌগাই পুমীন্নসি। ঈ মশেল কৌশারোল, থেংখৌরোল পাঙথোক্লরোইসি। হুনত্রেদ হুন য়েক্লবদা হুনসি, ইমা অমত্তগী মচা ওইমীন্নসি। মৈতৈ ঐখোয়গী ইপাগী য়ুম্ফম পুন্না ঙাকমীন্নসি। ঙসিগী লাংওন লংতাইদা হিংলিবা ঐখোয় মরু য়াম্না হকপনি। পুয়ানি পুৱারীনি, লাইরিক ময়েকনি, ইনাৎনি লাইসুনি, থেংনরিবা লান পুৱারী অমগী শোক্লরি মৈতৈনা লান হৌদে কুকিনা লান্দারকপনি। মৈতৈনা মৈতৈগী লম ঙাকপনি, লান্দারক্লিবা পুন্নমক্তা অখাবা মীৎয়েংগী পংখে পান্দম থমদুনা ঙাকপসি মী মপোক অথোইবনি মী মচংনি।

লৈশেমলোনগী লাই মী ঐখোয়দা চোংশিলক্কদবনি, ইপু মাইচৌ মী ঐখোয়দা চোংশিলক্কনি। নশক ইশক্তি খংনরোই। চাইহৈদবা চারোইসি, তৌহৈদবা তৌরোইসি, অফবা ৱাখল খনসি। ঐনা ফরবদি মখোয় ফগনি ঐনা ফৎত্রবদি মখোয় ফরোই। ৱাবদা খম থেংলবনিনা থৈদোক য়াদ্রবনি ঐখোয়গী লাইবক্তা তল্লম্বনিনা হরাওনা ওক্লগা মায়োক্লরসি। লৈঙাক্কী মপুরেল কোলোম মচিন থৌরিবা মুক্কী খুৎয়েক য়েকপদা মৈতৈগী ঙাকলৌ ওইনবা ময়েক লাহনবীরম্বু। ফমদোল ফম্নাইবা ফিদা অমগী মপু ওইরিবা শক্তাক, নেম প্লেট অমনা ফিবান ঙাক্লগা হিংলি। ঐখোয় মশেলনা নুংশিনদবগী মরু হুল্লবদি, হৌরক্কদবশিংনসু নুংশিনদবগী মরু হুল্লক্কনি। মীনুংসি হৈতবা মীনা মশিং য়ামখৎলক্লগদি, মপি তাদবা হিংচাবা হিংচাবীনা ৱাই চাইরক্লগদি ঈং তপ্পা লৈপাকসি মৈফম ওইদুনতা লৈগনি হায়না পন্থৌনা মখা তাখি।

ꯃꯥꯔꯆ ꯳ [illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯲ (ꯑꯩꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

ভি দি এফশিংগী খুৎশুমল হেনগৎপীনবা এসোসিয়েসননা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : ভি দি এফশিংগী খুৎশুমল লাক্লিবা এম পি ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈদা হেনগৎপীনবা ওল মণিপুর ভি দি এফ ইমপ্লোয়ি ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাই ইবোয়াইমানা থোরকপা চেরোল অমনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ভি দি এফশিংনা ষ্টেট সিক্যুরিটিগী শরুক অমা ওইনা চহী ১৪ মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর, মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুম ঙাকপদা পুলিসমেন অমদগী তাদনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি।

থৌদাং অসিদা লৈঙাক্না খঙবীদুনা ভি দি এফশিংগী অৱাৎপা মতম মতমগী ওইনা লৈঙাক্না মেনশিনবীদুনা লাক্লি। অদুবু ভি দি এফকী থবক হৌরকপদগী অৱাৎপনা পীক থন্না লাকখিবনা ঙসি ফাওবা অৱাৎপদি অদুম্মক লৈরি। লৈঙাক্না ভি দি এফশিংদা থাজবা পীরকখিবা অদুগী মতুং ইন্না লৈঙাক্তা থাজবা থমদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি, থাজবা অসি মাংহনবীগনু হায়রি।

এৱার্নেস কম কলচরেল প্রোগ্রাম লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা অপুনবা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা পব্লিসিটি এৱার্নেস কম কলচরেল প্রোগ্রাম চত্থরকখিবা ঙসি শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলগী ক্লবতা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিটায়ার্দ মেনেজর এ বি আইগী ওইনাম বিরেল;সি বি সি, আর ও ইম্ফালগী থোকচোম এন্থোনি অমদি ওইনাম থাবানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং রিজনেল ওফিস ইম্ফালগী মীৎয়েং মখাদা নুমিৎ ৫ নি চংনা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কোলেজ, স্কুল অমদি লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলশিংদা চৎতুনা মীখলগী মতাংদা পব্লিসিটি ওইবা এৱারনেসশিং পীদুনা পাঙথোকখি। এৱারনেস অসিদা ঐখোয়না মীহুৎ খনবা মতমদা নিয়ম চুম্না ইশাগী হক শিজিন্নসি অকি অখঙনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী হক মাঙহনগুমসি। ইশাগী হক নিয়ম চুম্না শিজিন্নদুনা মীহুৎ খনসি হায়বা পাউতাক য়াওবা দ্রামাশিং উৎখি।



NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT

Our Students Shine again in JEE MAINS (Jan session) 2024 with Highest Score of 98.14%ile
15 out of 19 Students Score more than 80%ile
5 Students Score 90%ile and above.

Our Results in JEE MAINS and Advanced IIT in 2023

AYEKPAM LANKHONBA
98.18%ile (State Topper)
NIT Calicut

HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
IIT Kanpur

NINGTHOUJAM AANGANBA
IIT Patna

REGISTRATION OPEN NOW
Crash Course and Mock test Series for JEE MAINS : April Session
Commencing from 8th March 2024
Special course for JEE advanced IIT 2024

For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-B/8593/1,3,5_Alt.

CONCEPT TUTORIAL
THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND
THE BEST COACHING INSTITUTE IN IMPHAL SINCE 2015
CLASS 9 & 10 CBSE 18TH MARCH 2024
CLASS 11 & 12 CBSE & COHSEM 1ST APRIL 2024
CLASS 9 & 10 BOSEM 4TH MARCH 2024
SUBJECT TOPPER SCIENCE 100/100
T. SYLVIA 96.2%
HENRY KH 96.6%
OLIVIA R.K 91.8%
CLASS TIMING 4:45 - 8:15 PM
SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS & GIRLS.
VAN SERVICE AVAILABLE WITH AFFORDABLE FEES.
FOR MORE DETAILS PLEASE CALL 8794728538 / 8794303740
HL-P/9730/26 - 31 Mar to 6 Apr_Alt.

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. UPSC CSE 2024, Apply Online, Notification, 1056 Civil Service Vacancies
UPSC CSE Notification 2024 |UPSC IAS Exam 2024: Union Public Service Commission (UPSC) has published Examination Notification of Civil Services Examination (CSPE), 2022. The Preliminary Examination of the Civil Services Exam for recruitment of various Government Services and Posts for filling up total 861 Vacancies (Approximately) will be held by UPSC on 26th May 2024.
* Eligible candidates are required to apply online using the website **upsconline.nic.in.** Candidates must first register themselves at the One Time Registration (OTR) platform, available on the UPSC Commission's website, before proceeding to fill out the online application for the examination. The OTR registration needs to be completed only once in a lifetime and can be done at any time throughout the year.
* The candidates should upload recent Photograph, Signature and Photo-copies of relevant documents / certificates. The last date for the receipt of online applications for the Civil Services Examination 2024 is **05/03/2024** (Tuesday) till 6:00 PM.

2. DSSSB Teacher Recruitment 2024, 5118 Vacancies, Eligibility, Notification, Apply Online
DSSSB TGT Recruitment 2024 of Vacancy Notification / Advertisement No. 02/2024 dsssbonline.nic.in: Government of NCT of Delhi, Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB) invites online applications for recruitment of Trained Graduate Teachers (TGT) and Drawing Teacher under different departments of Government of NCT of Delhi / Autonomous / Local bodies.
*Eligible Interested candidates must apply online through DSSSB Delhi Online Application Portal (**dsssbonline.nic.in**). Only online applications will be accepted. The Detailed Advertisement, Notification and Registration open from 8th February 2024. The candidates should fill basic personal / educational details and upload relevant documents. The closing date for submission of online application is up to **08/03/2024 till 11:59 PM**.

3. SSC Selection Post Phase 12 Notification 2024 [2049 Vacancies] Apply Online ssc.gov.in
The SSC Selection Post Phase 12 Notification PDF for 2024 has been released on 26th February 2024, following the launch of the new SSC Commission official website ssc.gov.in. In this year, a total of 2029 selection posts are to be filled in various departments of the Central Government. The final vacancies for SSC Selection Posts 12 will be released by user Ministries/Departments/Organizations before the declaration of the final result.
Interested Indian citizens can apply online only at the new official website of SSC, named **ssc.gov.in**, starting from the month of February. The SSC Phase XII 2024 offers 2000+ vacancies for Matric, 10+2 pass, higher secondary, and any degree holders. The last date for the submission of the SSC Selection Posts 2024 (Advertisement No. Phase-XII/2024/Selection Posts) online application is **18th March 2024**.

4. ICG Assistant Commandant Recruitment 2024, 70 Vacancies, Apply Online, Notification
ICG Assistant Commandant Recruitment 2024 Notification Out, Apply Online on or before 6th March 2024. The Indian Coast Guard (Ministry of Defence) invites online applications from dynamic Indian Male/ Female candidates for various branches as an Assistant Commandant (Group 'A' Gazetted Officer). The Online Registration will be through Coast Guard recruitment website joinindiancoastguard.cdac.in from 19th February and the last date for registration of online applications is 6th March 2024.
* Applications will be accepted only Online Mode through Join Indian COast Guard Official Website (**joinindiancoastguard.cdac.in**) from 19th February 2024.
* The last date for registration of online applications is **06/03/2024 up to 5:30 PM** IST.

5. DSSSB Nursing Officer Recruitment 2024 Apply Online for 1896 Vacancies
DSSSB Vacancy Notice Advertisement No. 04/2024: Combined Examination 2024 for various Group B and Group C positions, including Nursing Officer, Pharmacist, Cook, and others, under different Departments/ Local/ Autonomous Bodies of the Government of NCT of Delhi. The online registration for DSSSB Advertisement No. 04/2024 starts from **13th February 2024 and continues until 13th March 2024**.
*Eligible Candidates should apply online through DSSSB Online Application Portal (**dsssbonline.nic.in**) from 13th February 2024.

CROSSWORD-4070



ACROSS
1. Local language variation(7)
5. Type of parrot(5)
8. Harmonious sounds(5)
9. Race-meeting for boats(7)
10. Roman sea god(7)
11. Soft white limestone(5)
12. Mollycoddle(6)
14. Customer(6)
18. Back of a boat(5)
20. Nuclear energy producer(7)
22. Place to lie low(7)
23. Magnanimous(5)
24. Endured(5)
25. Most difficult(7)

DOWN
1. Devilish(7)
2. Author of many fables(5)
3. Keep out(7)
4. Large soup dish(6)
5. Conjuring(5)
6. Humble dwelling(7)
7. Resounding blow(5)
13. Gracefully slim(7)
15. Novice(7)
16. Anguish(7)
17. Despicable person(6)
18. Term of respect in India(5)
19. Hangman's loop(5)
21. Data arranged in rows and columns(5)

Solution of 4131

P	A	M	P	E	R	■	A	C	C	E	N	T
O	■	O	■	T	■	■	■	O	■	R	■	U
P	I	N	C	H	■	M	E	N	T	I	O	N
L	■	T	■	E	■	O	■	T	■	C	■	N
A	N	A	G	R	A	M	■	E	L	A	T	E
R	■	N	■	■	■	E	■	N	■	■	■	L
■	■	A	X	M	I	N	S	T	E	R	■	■
T	■	■	■	A	■	T	■	■	■	E	■	A
O	L	D	E	R	■	A	S	S	U	M	E	D
M	■	R	■	I	■	R	■	A	■	O	■	O
T	R	U	A	N	C	Y	■	F	E	V	E	R
O	■	G	■	E	■	■	■	E	■	A	■	N
M	I	S	E	R	Y	■	D	R	I	L	L	S

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5430

	9	5	1					4
8		2			4	6	5	
	6		4		1		9	
	5						8	
	3		5		2		4	
	8	9	3			1		7
7					8	4	6	

Solution of 5429

6	8	2	5	9	4	7	1	3
3	9	5	1	7	6	4	8	2
7	4	1	2	3	8	5	9	6
1	3	4	7	5	2	8	6	9
8	7	6	9	4	1	3	2	5
5	2	9	6	8	3	1	4	7
9	6	3	4	1	7	2	5	8
4	5	7	8	2	9	6	3	1
2	1	8	3	6	5	9	7	4

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম
মবুংনা কৌরকপদুদা চখানু শাফবীদি খংপ্রেক খংলম্মী।
ইবুংগী ইবেন্মা চখানু নঙ অমুক্তা ঙাইখোনে, নঙনা ঐবু উনরমদনা করিগী হল্লক্লিবনো, অহল ওইরবা ইপাদা করিগী ৱারোৎবরানে।
ইবুং নচন ঐবু লৌবা লাক্লিবরা, ইবুং ঐ ইপামদা হনবা ইকাইরেদা।